মুতুম জুগেশ্বর মীতৈ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :

খুরাই নান্দেবম লৈকায়দা লৈবা সোসল স্টেন্দর্দ ক্লবকী ফাউন্দর মেম্বর ওইরম্বা মুতুম জুগেশ্বর মীতৈ (মনি) না থা অসিগী ১১দা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদবদা ক্লবকী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

আর্টিষ্ট ৩৬০দা পেন্সন...

লামায় ১গী মখা... ফংলকখিবা আর্টিষ্টশিংদনা লুপা লিশীং ৪/৪ পীরগা অতৈ আর্টিষ্টশিংদনা লুপা ২৫০০/২৫০০ পীবনি। হায়রিবা পেন্সনগী শেনফম অসি এপ্রিল, ২০২০দগী লাকখৎলগা মার্চ ২০২১ ফাওবগী চহী অমগী ওইনা পীখ্রে। পেন্সন ফংলবশিংগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিদগী হান্নদগী পেন্সন ফংজরম্লবা আর্টিষ্ট ১৪৯সু য়াওরি। মখোয়না একাদেমিদগী ফংলম্বা পেন্সনগী শেনফমনা লুপা লিশীং ১/১নি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.170330
US Dollar	73.067797
British Pound	103.187565
Australian Dollar	56.666323
Chinese Yuan Renminbi	11.349186
Japanese Yen	0.670640
Malaysian Ringgit	17.624176
Singapore Dollar	54.838170
South Korean Won	0.064608
Saudi Arabian Riyal	19.484746
Thai Baht	2.327394

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:08-5-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556. Time 8:30 to 12:30. Adminstrative Office close on Sunday and holiday. Also Encouraged online payment. Those who haven't received within the aforesaid time please show the second copy or personal copy and along with mobile phone.also available 19kg and 5kg . In view of contentment zone the describe format can be send under what-Apps no. 9612718751

M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Call Timing: 8 AM To 12 PM
*URIPOK,THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND & SURROUNDING -9862791279 /9366727636 /9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728* LANGJING, PATSOI -9366474013. *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837. For query & others - 8258019383 & 9366727636.
Booking upto 20/04/2021
Valid from 28/03/2021.
Time 7.30 am to 11am

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to 12:00 noon
BOOKING : 23.03.21
VALID : 16.03.21
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL
7628098544,9089370369
FOR ALL LANGOL AREA
7085977502
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 22/02/21
Valid from : 20/02/21
Sl.No.151
Time: 07am to 10 am
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 04-04-2021
VALID FROM 31-03-2021
STK 306
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY
DATE 21-05-2021
CONTACT NO 7005695308, 6009772483

MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to 10/04/2021
Valid from 24/03/2021
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

MAIBIA GAS MOIRANG:
BOOKING UPTO:30/04/2021,
VALID FROM : 28/04/2021;
STOCK= 306;
(HOME DELIVERY SERVICE), CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295, ROMESH--7629090297 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN -7005913637 (THANGA A/C), 3. NANDA - 9362111646/AMARJIT - 9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

ইমুং ১/২ খক্তদা মতেং পীরম্বগী এম এল এ বোয়কোট তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

নম্বোল এ সীগী ফোইজিং মখা লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী এ সী অসিগী এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা ও ইনাওবা এলিয়জ প্রেমজিৎনা য়ূম ১/২ খক্তমক খনগৎলগা এম এল এগী মায়কৈদগী মতেং পীরম্বা অসিনা লৈকায় অসিগী মীয়াম মরক্তা নুংশিনদনবা শীনবা ওইনা থোক্লে হায়রদুনা ক্লবকী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা এ সী অসিগী এম এল এবু ক্লবনা কোনবা মফমশিংদা বোয়কোট তৌরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি ফোইজিং মখাদা লৈবা য়ঙ গাইদেন্স ক্লব এন্দ য়ুঠ ৱেলফেয়র স্পোর্টস এন্দ লাইব্রেরিদগী জেনরেল সেক্রেটরি এল হেরোজিৎনা খুৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি। চেরোল অসিগী মতুংইন্না ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা নম্বোল এ সীগী এম এল এ নামৈরাকপম লোকেনবু বোয়কোট তৌরে হায়রি।

অদুম ওইনমক চেরোল অসিনা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অসিগী সেকেন্দ ৱেভকী অৱাবা নংলবা নম্বোল এ সীগী ফোইজিং মখা লৈকায়গী কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবশিংদা টি ঐচ বসন্ত (রিটয়ার্দ আই পি এস) গী মায়কৈদগী অঙন্বা মতেং পাংবীরকপগীদমক্তদি ক্লব অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯বু ঐখোয় পূন্না লান্থেংমিন্নরসি: য়ুকোবিদ

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী য়াম্না লুরবা মতমসিদা লৈবাক মীয়াম অসি নিক নিক লাওনা ৱানরি, তৌফম খঙনদ্রি, করি তৌগদগে হায়বা ঙম্নদ্রে। অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা পূন্না হোৎনমিন্নদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকমিন্নবা অমা চঙই হায়না য়ুনাইটেদ ক্লব্স ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ুকোবিদ)কী প্রসিদেন্ট টিঐচ নোরেন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থেংনরিবা লানফমসিদা ঙসি অমুকোনা মীয়ামগীদমক কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৌরিবা থৌদাংশিং য়ুকোবিদকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মরমদি লান্থেং অসিদা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা হুন্নদুনা, অমনা ঙাঙবা অমনা থাজনদদুনা, অমনা অমগী সপোর্ট তৌনবগী অৱাৎপা লৈরিবা অসি ঙসিদি ঐখোয় অমত্তা ওইনা পূনশিনবা মতম ওইরে। হৌখিবা কোভিদ-১৯গী মতমদা থবক থৌরম কয়া মীয়াম পূন্না তৌমিন্নখিবগুম হৌজিকসু ঐখোয় পূন্না তৌমিন্নবা য়াবশিং তৌমিন্নসি। মরু ওইনা হেল্থ ৱর্কর ওইরিবশিং, ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং, সী এস ও, এন জি ওশিংগী ভোলুন্টিয়রশিংদা অমত্তা ওইবগী কোওপরেসন পীনদুনা লায়না লাইচৎ অসিবু মপূং ফানা মাঙহনখিনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নরসি হায়রি।

এলাংবম বিরেন্দ্র লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :

ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী হিয়াংলমদা লৈবা সোসল এন্দ ইকনমিক দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সেদো) গী থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা এলাংবম বিরেন্দ্র অপোকপা লৈখিদ্রবা ঈ মনি, হিয়াংলম অৱাং লৈকায়না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা হিয়াংলমগী তোঙান তোঙানবা ক্লব অমসুং এসোসিএসন ১১গী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা সেদোগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক লৈখিদবা অসি ওর্গনাইজেসন অসিগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অচৌবা অহোবা অমা ওইহৌরগনি হায়রি। মহাক্কী লৈহৌরিবা লোয়নবী অমদি মচানুপী অনীগী অৱাবদসু শরুক য়াবা ফোঙদোরক্লি।

হোকর এসোসিএসন অনীনা অপীল ...

*লামায় ১গী মখা...*অপূনবা চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিনা মরম ওইদুনা মালেম পূম্বদা অৱাবা অমদি অকি তুজুংবনা থল্লবা মতম অসিদা কন্টেনমেন্ট জোন ওইরিবা মফম কয়াবু ফাওদুনা মীয়ামদা ঈ-পাউ য়ৌহনবনা ইথৌদাংনি খঞ্জরগা পাউচেবু য়ুমথোঙ খুদিংদা পুদুনা চৎলিবা ন্যুজপেপর হোকরশিংনা সবস্ক্রাইবরশিংদগী থাগী শেল খোম্বদা পীরক্তবা অসিনা হোকরশিংনা মীয়ামগী পাউচে লেপ্তুনবা প্রেসতদি নুংতিগী শেলবু থিগদ্রা, ইমুং-মনুংবু পুগদ্রা খনবদা মরু ওইনা খা মায়কৈদা চৎলিবা হোকরশিংদি ৱাবদা কোক্তা খূৎ হাপ্পরে হায়রি।

ওইরক্লিবা অৱাবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা পাউচে য়েনবগী শিনফম ওইনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈজরক্লবা হোকর কয়া অমদি মীয়াম্না পাউচে পাবগী চাং হন্থরকপা অসিনা সবস্ক্রাইবর মশীং তাথরকপদগী পাউচে য়েনবদা লেপ্লিবা শেন্দোং অসিনা অমদি নোংমা নোংমগী পোৎ চৈগী মমল তাঙখলকপা অসিনা মরম ওইরগা ইমুং মনুং পুবা ঙম্নরক্তবদগী হোকর কয়া শিনফম অসি থাদোক্তুনা অতোপ্পা শিনফম কয়া থিনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা পাউচে ফংনরক্তবা মতম অসিদা শিনফম অসিবু ইথৌদাংনি খন্দুনা অকি তুজুংবা অমসুং অৱাবা কয়াবু মায়পুনদুনা মীয়ামগী মীৎ-নাকোং শিংহনবদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইগনি খন্দুনা লৈজরিবা পাউচেশিংগী হোকরশিংবু লৈঙাক্লা শুপ্নতগী হেন্দ সেনিটাইজর/মাস্ক ফাওবা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীদবা হায়বসি লৈঙাক্লা হোকরশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংদা মীৎয়েং চঙবীদ্রে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই হায়রি।

লোয়ননা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা হোকরশিংনা করিগুম্বা চপ চাবা শিনফম হায়বদি পাউচে য়েন্থোকপগী থবক অসি লেপখিবা থোক্লবদি লৈঙাক্লা মীয়ামগী থৌরাং কয়াগী পাউ অমদি মতম মতমগী স্কিম কয়া লাউথোক্লবসু মীয়ামদা খঙহনবা ওইথোক্লোই। অসুম্না হোকরশিং লৈত্রবদি প্রেস লিংলুবগী কান্নবসু লৈরোই হায়রি।

অসিগুম্বা হীরম কয়াসি লৈঙাক্লা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা য়েংবীদুনা হোকরশিংগী ওইবা অখন্নবা স্কিম খরদি পায়খৎপীদুনা হোকরশিংবু লমদম অসিদগী মুৎখিদনবা হোৎনহন্নীংই হায়রি অমসুং লমদম অসিদা লৈরিবা পব্লিসরশিংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী হোকরশিংনা হায়জরকপা হোকরশিংগী ফীভম ফগৎনবা পোলিসি শেমহন্নীংই অমসুং পায়খৎহন্নীংই অদুগা সবস্ক্রাইবরশিংনসু হোকরশিংনা পুরক্লিবা পাউচেশিং অসি প্রেসতা নুমিৎ খুদিংগী শেল পীথোক্লম্লগা পুরকপনি। মসিদগী ফংলকপা শেনফম (কম্মিসন) খরদু ফংজবনি। মরম অসিনা সবস্ক্রাইবরশিংনা পীফম থোকপা পাউচেগী বিলশিং পীথোকপীদ্রবদি অসুক য়াম্না ৱারবা মতম অসিদা হোকরশিংনা করম্না পাউচে য়েন্থোকপা ঙমগনি। মরমশিং অসিনা সবস্ক্রাইবরশিংনসু ইশাগী থিফম থোকপা বিলশিং মতম চানা পীথোকপীদুনা হোকরশিংবু পাউচে য়েন্থোকপদা পূক্নিং থৌনা হাপ্পীয়ু হায়নসু অপীল তৌরক্লি।

অচৌবা লাইচৎসিনা হ্যুমেন রাইটস ...

লামায় ১গী মখা... রাইটশিং অসি ষ্টেট নৎত্রগা ওথোরিটিনা ঙাক্কদবনি মীয়াম্নসু মখোয়দগী তানগদবনি। অদুবু হৌজিক মায়োক্লরিবা অচৌবা লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম পূম্নমক হাওস এরেষ্ট তৌবগী মওংদা পাম্বৈ লৈতদুনা কনফাইন তৌদুনা লৈবগা মান্নহল্লে। অদুবু মসি লৈঙাক্লা নৎত্রগা মীয়াম্না থোকহনবা নত্তে। লাইগী বর নৎত্রগা শাপ্তুগীসু নত্তে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অশোয়বা, অরানবদগীসু নত্তে। মরম অসিনা অচৌবা লায়না লাইচৎ অসি থেংনবদা মীয়াম পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা থেংনগদবনি। লৈঙাক খক্তনা নৎত্রগা ফ্রন্টনলাইন ৱার্করশিং খক্তনা থেংনগদবনি হায়দুনা লৈথোকপা চুম্লোই। ঐখোয় পূম্নমক্লা শরুক য়াদুনা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপা, ফেস মাস্ক উপ্পা, সাপোন শীজিন্নদুনা খূৎ তোয়না হামদোকপা, মী অমগা মী অমগগী মরক্তা ফুট ৬ লাপ্পবগী সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা, নোংমদা ঈশিং অশাবা গ্লাস তরুক থকপা, ফত্তবা চিঙ্গাকশিং চাবা-থকপা তোকপনচিংবা তৌবীদুনা ফংফম থোকপা রাইটশিং অমুক হঞ্জিন্দুনা মওং-মরীল তানা হিংগে হায়রবদি ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা খূৎশম্নদুনা হোৎনগদবনি হায়খি।

লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপগী মহুত্তা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন/এসোসিএসনশিংগা লোয়ননা অমত্তা ওইনা লান্থেংমীন্নদুনা অঙম্বা থাক্তা য়াওশিন্দুনা লায়না লাইচৎ অসিবু লান্থেংনদুনা চাওখৎ খোঙথাং লোমদা লাক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু অপীল তৌখি।

পুলিসনা কন্সেন্ট্রেটর...

লামায় ১গী মখা... লৈখিদবা মীওইশিংগী ইমুংদা লুপা লিশীং ২০গী শেনফম পীরগনি হায়রি। লোয়ননা এ সী অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মমা-মপা লৈখিদ্রবা অঙাংশিংদা থংনবা চহী ৩ নৎত্রগা অঙাং অমনা চহী ১৮শুদ্রিবা ফাওবদা চহী খুদিংগী লুপা লিশীং ২০ ফাওবগী মনুংদা ফ্রী এদ্যুকেসন পীরগনি হায়রি।

অদুগা, ইমুং অমগী শেল থোকপা মীওই লৈখিদবগী অঙাংশিংদনা মখোয়না চহী ১৮ শুদ্রিবা ফাওবগী ওইনা চহী খুদিংগী লুপা লিশীং ১০ ফাওবগী মনুংদা ফ্রী এদ্যুকেসন পীবগা লোয়ননা কনাগুম্বা কোভিদনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী ইমুংগী মীকোক্তা চহী অমা চূপ্পা ফ্রী রেসন (চেঙ) কিলোগ্রাম ৪/৪ পীরগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

এক্স এম এল এ ডা. ইবোহলবী ...

লামায় ১গী মখা... দিভেলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) দা য়াওখিবনি। মহাক্লা লেজিসলেটর অমা ওইরিঙৈদা ওপোজিসনগী ইচং থৌবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবদা নত্তনা ঙাঙবা-শকপা হৈবা পোলিটিসিয়ন অমনি হায়না শীংথারদুনা মীয়ামগীদমক অফবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়ারমখি। মহাক লৈখিদবা অসি ষ্টেট পোলিটিক্সতা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি হায়বগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মহাক্কী ইমুংগী অৱাবদা শরুক য়াবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক লৈখিদবগী অৱা চৈনা খাঙবা ঙম্নবগী পাঙ্গল পীবিনবা থৌনিজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমসু এক্স এম এল এ অসিনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মহাক্কী অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমদা হায়, মশামক ডাক্তরগী শিনফমদগী হৌরক্লগা পোলিটিসিয়ন অমা ওইরকখিবা লৈখিদ্রবা ডা. আই ইবোহলবী বিষ্ণুপুর লায়ন্স ক্লবকী ফাউন্দর মেম্বর ওইখিবদা নত্তনা সোসল ওর্গনাইজেসনশিংদসু মাঙজিল থানা শরুক য়ারমখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মশক থোকপা পোলিটিসিয়ন অমা লমদমসিগী ওইনা মাঙজরবনি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস পার্টি অসিগী ভেটরান পোলিটিসিয়ন অমসু ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর ও জয়গী মায়কৈদগীসু এক্স এম এল এ অসিনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মহাক মহৈ মশীন নিংথিজনা হৈদুনা লৌশিং লৈবা ষ্টেট অসিগী পার্লিয়ামেন্টরিয়ন অমা ওইখিবদা নত্তনা প্রোগ্রেসিভ লিদর অমসু ওইখি হায়রদুনা শিংথাবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়রক্লি।

লোয়ননা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ) কী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাইনা থোরকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমদসু সোসাইটি অসিগী লাইফ মেম্বর অমসু ওইরমখিবা ডা. ইরেংবম ইবোহলবীনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা ফোঙদোরকখি। সোসাইটি অসিনা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প কয়াদা মতম শাংনা শরুক য়াদুনা লাকখিবা অচঙবা মীওই অমনি হায়রি।

মহাক্লা লৈখিদবদা ব্রাঞ্চ অসিগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

অমরোমদা, হান্নগী মিনিষ্টর করাম শ্যাম, এম এল এনসু এক্স এম এল এ অসিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাক ঈং-তপ্পা অমসুং পূক্নিং লৌশিং পীবা ঙম্বা অমদি তুংদা থোরক্কদবশিং লাপ্পা উবা ঙম্বা লুচিংবা অমনি। মহাক্লা পোলিটিসিয়ন অমা ওইনা মণিপুরগী মীয়ামদা পীরম্বা খুদোলশিং মতম চূপ্পগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈরগনি। মহাক্লা লৈখিদবসি ষ্টেট অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু অমসুং মহাক্কী ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ-১৯ গ্রিভান্স সেল হাংদোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*জুরিসদিক্সন মনুংদা লৈবা হোম আইসোলেসন পেসেন্টশিং ভিজিট তৌবগা লোয়ননা মখোয়দা মথৌ তাবা হীদাক লাংথকশিং অমসুং পলস ওক্সিমিটরশিং পীননবা খঙহনখি। হোম আইসোলেসন্দা লৈরিবশিংদা পীফম থোকপা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং পীদবদগী লায়না অসি পাক শন্না শন্দোরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরিবনি হায়বগা লোয়ননা হোম আইসোলেসন্দা লৈরিবশিংনা মখোয়গী ময়ূমদা আইসোলেসনগী ফেসিলিটি চপ চানা ফংদ্রবদি মখোয়বু কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা পুরক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী হোম আইসোলেসন্দা লৈরিবশিংবু চেকশিন্না মোনিটর তৌবা মথৌ তারে হায়বগা লোয়ননা মসিগীদমক পন্থদ্দনা হীদাক লাংথক অমসুং চাং নাইনা ভিজিট তৌনবগীদমক ডাক্তরশিংনা লুচিংবা তোঙান তোঙানবা টিমশিং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেম্লে হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরদুনা মমা-মপা লৈহনখিদ্রবা অঙাংশিংগীদমক স্কিম অমা হৌদোক্লে। হায়রিবা স্কিম অসিগী মখাদা অঙাংশিং অদুগী তঙাইফদবশিংগী মনুংদা মহৈ-মশীন তমহনবা, চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীবা অমসুং লৈফম চাফমনচিংবগী খুদোংচাবশিং অঙাংশিং অদুনা চহী ১৮ শুদ্রিবা ফাওবা পীগনি। অসিগুম্বা অঙাংশিং অসি কনাগুম্বনা থেংনরবদি চাইল্ড লাইনগী টোল ফ্রী নম্বর ১০৯৮কী খূত্থাংদা কন্টেক্ট তৌরক্কদবনি হায়রি।

ষ্টেট অসিগী দ্রগ য়ুজরশিংগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী দিটোক্সিফিটেসন কম ট্রিটমেন্ট কেম্প অমা হৌদোক্লগনি। কেম্প অসি থা অসিগী ২৪গী অয়ুক পুং ১০.৩০দগী সোসল ৱেলফেয়র লোইশঙগী দিরেক্টোরেটতা পাঙথোকপগা লোয়ননা দ্রগ য়ুজরশিংবু নুমিৎ অসিদগী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগনি। দ্রগ য়ুজরশিংগী মনুংদা নেগেটিভ রিজল্ট লাকপশিং ট্রিটমেন্ট কেম্পতা থল্লগা পোজিটিভ ওইরবশিংবুনা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা থমগনি হায়খি।

লোয়ননা ঙসি ষ্টেট অসিগী ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম, ৱিদো স্কিম, দিসএবিলিটি স্কিম অমসুং ফেমিলি পেন্সন স্কিমশিংগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা ১৩,২০,৩৩,০০০গী শেনফমশিং বেনিফিসরি ১,২৮,৫০৮শিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা পব্লিক ফাইনান্সিএল মেনেজমেন্ট সিষ্টম শীজিন্নদুনা দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফরগী খূত্থাংদা ট্রান্সফর তৌখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ব্লেক ফঙ্গসকী কেসশিং মায়োক্লরক্লিবা অসিগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা হায়, মসিগী মতাংদা হেল্থ দিপার্টমেন্টপু মীৎ-না শিংনা লৈননবা খঙহনখ্রে। মীয়াম্না মখোয়গী হকচাংদা সিম্পটম হেক থেংনরকপগা পন্থদনা কোভিদ টেষ্ট তৌথোকপীগদবনি। মসিগীদমক হৌজিক আর এ টি টেষ্টিং কিটশিং মরাং কায়না লৈরে হায়খি। লোয়ননা পেন্দমিক অসি মায় পাক্লা মায়োক্লবদা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈবনা মীয়াম্নসু লৈঙাক্তা মতেং পীবীনবা অপীল তৌখি।

অমরোমদা চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সতা লৈরিবা ওক্সিজেন প্লান্ট হকথেংননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা প্লান্ট অসিদা লিটর লিশীং ১০গী লিক্যুদ মেদিকেল ওক্সিজেন (এল এম ও) ক্রাইওজেনিক ষ্টোরেজ টেঙ্ক অমা থম্লগনি হায়খি। মসিগীদমক মথৌ তাবা ফাউন্দেসনগী থবক হৌবগা লোয়ননা হৌজিক লোইশিনবগী থাক্তা লৈরে। মফম অসিদা ইন্সটোল তৌগদবা ক্রাইওজেনিক টেঙ্ক অসি সিলচর য়ৌরকখিবগা লোয়ননা হয়েং অয়ুক ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল য়ৌরক্তুনা মসিগী থবক থা অসিগী ২৩দগী হৌরগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা পোরোম্পাৎতা থমগদবা ওক্সিজেন প্লান্টকী মফমদসু চৎতুনা য়েংশিনখি। মফম অসিদনা লিটর লিশীং ২০গী লিক্যুদ মেদিকেল ওক্সিজেন ক্রাইওজেনিক টেঙ্ক অমা থমগনি। হায়রিবা প্লান্ট অসিনা পুং ১দা সিলিন্দর ৪০ রিফিল তৌবগী কেপাসিটি লৈগনি। লোয়ননা মসিগী ফাউন্দেসনগী থবক ঙসিদগী হৌরে হায়খি।

জেনিমসতা চীফ মিনিষ্টরনা ডাক্তরশিংগা হকথেংননা উনদুনা লায়েংশঙ অসিদা আইসীয়ুগী অহেনবা ফমুং ১০০ হেনগৎহল্লগনি হায়খিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং লৈহনবগী থবক থুজিন্নবা পাউতাক পীখি। মসিগী মমাঙদা চীফ মিনিষ্টরনা ক্যামগৈ ময়ায় লৈকায়দা লৈবা সট ভবনা মান্দবতসু চৎতুনা মফম অদুদা হাংদোক্কদৌরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরগী ফীভম য়েংশিনখি। তুংদা মোদর্ন কোলেজ ইন্দোর হোলদসু হাংদোক্কদৌরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরগী মতাংদা য়েংশিনখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা এম এল এ সুসিলদ্রো, এল রামেশ্বর, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাং, চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি এন জিওফ্রিঅমসুং অতৈ ওফিসলশিংসু লোয়নখি হায়রি।

মায়োক্লন্দনবা মীয়াম পূনবা থৌরম অমদি রেল্লিশিং...

লামায় ১গী মখা... কোর্ট ফাওবা য়াওনা মথা শান্নরে। নেসনল কোভিদ টাস্ক ফোর্স কোভিদ-১৯গী মেম্বর প্রো. কে শ্রীনাথ রেদ্দিগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী থর্দ ৱেভ লাক্কদরা নৎত্রগা লাক্লোইদ্রা হায়বসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী খুৎতা লৈ। অহুমশুবা ৱেভ অসি লাক্তনবা থৌরাং পায়খৎহৌবনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। মরমদি কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা লৈবাক শিনবা থুংনা কাংখোং চাইহনবতা নত্তনা মীকপ মীরাউখোলতনা পুমনিল নিল্লিঙৈ অসিগী মথক্তা করিগুম্বা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ লাক্লবদি লৈবাক অসিদা ঐখোয়না মঙদা ফাওবা খল্লুদবা অশি-অনাগী অৱাবা থৌদোক কয়া থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ। অদুবু করিগুম্বা ঐখোয়না কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রবু মপুং ফানা ঙাক্লা চৎলবদি কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ অসি লাকখিদবসু য়াই হায়রি। ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওলোজি জিনোমিক্স এন্দ ইন্টিগ্রল বাইওলোজিগী দিরেক্টর ডা. অনুরাগ অগ্রৱালগী ৱারোলগী মতুংইন্না চহী অসিগী হৌরকপা মতমদা ঐখোয় পূম্নমক্লা চেকশিলহৌরবদি ঙসি ওইরিবা ফীভম অসি থোক্লম্লোইদবনি। অদুবু হৌজিকসু ঐখোয়না য়াম্না চেকশিন্না লৈরবদি অমদি লৈবাক অসিদা পাকশন্না কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌরবদি কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভকী চৈথেংদগী খরা মখেদি ঙাকথোকপা ঙমগনি।

ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী চীফ সাইন্টিষ্ট সৌমিয়া স্বামিনাথনগী ৱারোলগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা শন্দোক্লিবা কোরোনাগী লাইওং অসি ভেরিএন্ট বি ১.৬৭ অসিনি। ভেরিএন্ট অসি ইন্দিয়ন ভেরিএন্ট হায়রগসু খঙনৈ। হায়রিবা ভেরিএন্ট অসি কোরোনাগী অশেংবা মহীক অদুদগী হেন্না শাথিবা, য়াম্না শন্দোক্লনবা অমদি ভেক্সিনেনসু নমথবা ৱাবা য়াই। ৱাফম অসি দব্লিয়ু ঐচ ওনসু অথুবা মতমদা চুম্মী হায়না লৌরকপা য়াই। করিগুম্বা ভেরিএন্ট অসি কোভিদকী ভেক্সিনেনসু নমথবা ঙমদ্রবদি মালেমগী ওইনা য়াম্নমক লাইবক থিবা হায়বদু ওইগনি।

বর্দমান মহাবির মেদিকেল কোলেজগী কম্যুনিটি মেদিসিনগী হেদ ডা. জুগল কিশোরগী মতুংইন্না নেসনল লেভেলদা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ শন্দোরকপা খরা ৱাগনি। অদুবু থা অমদগী থা অমগা মখায় ফাওবদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী শন্দোকপগী চাং অসি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মফমশিংদনা হেনগনি। অদুবু দেল্লি, মহারাষ্ট্র, উট্টর প্রদেশ, রাজস্থান অমদি মধ্য প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংদা হান্নগুম কোভিদকী অকনবা শাফু অদু লাক্তবা য়াই। অদুবু করিগুম্বা ভাইরস অসিগী অনৌবা ভেরিএন্ট অমা লাক্লবদি অহুমশুবা ৱেভ লাকপা য়াই হায়রি লোয়ননা জোধপুরগী এন আই আই আর এন সী জি (আই সী এম আর)গী দিরেক্টর ডা. অরুন শর্মাগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী ম্যুটেশন্স পূম্নমক খঙদোক্লবা হোৎনবগী মতম সাইন্টিষ্টশিংদা ফংদ্রি। মরম অদুনা হৌজিকমক্কী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা উপাইদি কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র ঙাক্লা চৎপনা ওইগনি হায়রি।

ফেব্রুৱারী ২৪দগী মে ২০ ফাওবদা ফ্লাইটতা লাকপা মীওই ৪৭৮৭গী মনুংদা ১১২...

লামায় ১গী মখা... টেষ্ট তৌরগনি হায়না লাউথোকখি। অদুগা এপ্রিল ৩দা অমুক ষ্টেট ৮ অসিগী মথক্তা তামিল নাদুদগী লাকপশিং য়াওনা পুন্না ষ্টেট ৯ দগী ফ্লাইট তোংদুনা ষ্টেট অসিদা লাকপা পেসেঞ্জরশিং টেষ্ট তৌরগনি হায়না খঙহনখিবনি। অদুবু ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং তপ্পা তপ্পা ৱাংখৎলকপদগী মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি সোইমিনলিয়ন লেঙেননা এপ্রিল ১৫দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী মপান্দগী ফ্লাইট তোংদুনা নৎত্রগা লৈকং লম্বীদা লাকপশিংনা ষ্টেট অসিদা থুংলগদবা পুং ৭২গী মনুংদা আর টি-পি সী আর, ট্রু নেট, সী বি-এন এ এ টিদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌদুনা নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট পায়রকপা পেসেঞ্জর খক্তমক ষ্টেট অসিদা চঙবগী অয়াবা পীগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা ৱাফম অসি এপ্রিল ১৮দগী চৎনগনি হায়না লাউথোকখি। লোয়ননা আর্মি অমদি সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী য়ুনিটশিংনসু মখোয়গী পর্সনেলশিংনা মণিপুর চঙলকপদা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখি। অদুগা এপ্রিল ২১দা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা থোকখিবা অতোপ্পা ওর্দর অমনা মণিপুরগী মপান্দগী লাকপশিংনা মণিপুরদা থুংলগদবা পুং ৭২ ৱাৎলিঙৈদা আর এ টিদা টেষ্ট তৌদুনা নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট পায়রকপসু য়াগনি হায়না খঙহনখি। লোয়ননা মণিপুরদা লৈবা মীওইশিংনা অনা-অয়েক্কী নৎত্রগা অতোপ্পা তঙাইফদবশিংগী ওইনা লাকপশিংগীদি স্পেসল কেস ওইনা লৌবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট ষ্টেট অসিদা চঙলকপা মতমদা লোইনরক্তুরবসু য়াগনি। অদুমকপু হায়রিবা মীওইশিং অদু ষ্টেট অসিগী এন্ট্রি পোইন্টশিংদা টেষ্ট তৌগনি। ইমর্জেন্সিগী ওইনা লাকপশিংনা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী হেল্প লাইন নম্বরদা মাঙজে ৌননা পাউ পীরক্কদবনি হায়নসু খঙহনখি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা ৱারী শানবা অমদা আই দি এস পিগী ওফিসল অমনা হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনদি মণিপুরগী মপান্দগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবা পেসেঞ্জর খুদিংমক টেষ্ট তৌবা লৈতে। পেসেঞ্জরশিংগী মরক্তা অথু-অকায়গী তঙাইফদবা অমদি অনা-অয়েক্কা মরী লৈননা মপান্দগী লাকপশিং টেষ্ট তৌবগী থবক চখে। লৈঙাক্লা খঙহনখিবা মতুংইন্না মপান্দগী লাকপা পেসেঞ্জরশিং ষ্টেট অসিদা থুংলগদবা পুং ৭২গী মনুংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌদুনা নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট পায়রক্লবশিংসু নীংথিনা চেক তৌবগা লোয়ননা চিংনবা য়াওরবদি টেষ্ট তৌবা য়াওই। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা পেসেঞ্জরগী মরক্তা মীওই অনীনা অশাবা রিপোর্ট পায়রকপগীদমক ফাদুনা এক্সন লৌখৎখিবসু লৈখ্রে। লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্না মপান্দগী অথু-অকায়গী তঙাইফদবা অমদি অনা-অয়েক্কা মরী লৈননা টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট পায়দনা লাকপশিং ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা টেষ্ট তৌননবা সেম্পল কল্লেক্সন তৌরবা মতুং হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈননবা পাউতাক পীরগা ময়ুম-ময়ুমদা চৎহনখি। হৌজিকমক্কী ওইনদি ক্বারন্টিন সেন্টর লৈত্রবনিনা মীওইশিং অসি রিজল্ট খঙদ্রিঙৈদা হোম আইসোলেসন তৌননবা পাউতাক পীরগা হলহল্লি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা টেষ্ট তৌনবা সেম্পল লৌখ্রবা পেসেঞ্জরশিং অসি রিজল্ট খঙলবা মতুংদা ময়ুম-ময়ুমদা হলহন্নবা থৌরাং লৌখৎহন্নিংই হায়না মীওই কয়ানা পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরক্লি। মীওইশিং অসিনা ফোঙদোক্লরকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলরবা মতুং টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট খঙদ্রিঙৈদা ময়ুমদা হলহনখ্রবশিং অসিগী মনুংদা পোজিটিভ ওইবা কয়া য়াওরকপা থেংনরে। মসিনা মরম ওইরগা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোকপগী মচাক অমসু ওইরক্লি। মরম অসিনা কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ লাকখিবা মতমদা লৈঙাক্লা মপান্দগী লাকপা পেসেঞ্জরশিং টেষ্ট তৌরগা নেগেটিভ ওইরবা মতুংদা ময়ুম-ময়ুমদা হলহনবগী থৌরাং লৌখৎখিবা অদুগুম্না হৌজিকসু লৌখৎহন্নিংই। মদুনা লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিনবদা শোয়দনা মতেং ওইগনি। হীরমসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্লসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়না পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরক্লি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস মশীং হেনগৎলক্লবসু মী শিবগী মশীংদি ...

লামায় ১গী মখা... হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লৈখিদবা মীওই ১১ অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মণিপুরগী অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৬৪৬শুরে।

অমরোমদা ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিংগী অপূনবা মশীংনা ৬৪৪নি। মসিগী মনুংদা নুপা ৩৪৪ অমসুং নুপী ৩০০নি। লোয়ননা পোজিটিভ কেস পূম্নমক জেনরেল পোপ্যুলেসন্দগী ঙাক্তনি হায়রি।

অপূনবা ঙসিগী পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা মফমশিংনা রিমসতা ৭৯, জেনিমস ৫৯, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ১৯১ অমসু অতোপ্পা প্রাইভেট টেষ্টিংশিংদনা ৩১৫নি হায়রি। অদুগা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা য়াওরিবশিংনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৯১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩০৪, থৌবাল, ৩৬, বিষ্ণুপুর ৩৩, ককচীং ২৯, উখ্রুল ৬, চুড়াচান্দপুর ২৭, চান্দেল ৫, তেংনৌপল ৩, কাংপোকপী ৫ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৫নি হায়রি।

মহৌশাদগী হৌনা পাঙথোরকপগুম পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগীদমক মথৌ তাবা মেদিকেলগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্টে অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা ঙসিগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫৪৬নি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ২, হোম আইসোলেসন্দগী ৪০১, রিমসতগী ৩, আর দি ৱিংদগী ১৬, বাল ভবন ১৭, লানভা ৫, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ৬, শিজ হোস্পিটাল ১৬, ববিনা স্পিসিএলিটি হোস্পিটাল ২, জিবন হোস্পিটাল ৮, থৌবাল ১১, বিষ্ণুপুর ৭, ককচীং ৯, উখ্রুল ৯, চুড়াচান্দপুর ৫, কাংপোকপী ১, তমেংলোং ২, তেংনৌপল ৩, ফুংয়ার ২ অমসুং কসোম খুলেন্দগী মীওই ২নি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফগৎলক্তুনা মীওই ৫৪৬ দিসচার্জ তৌখ্রবসু ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস মশীং ৬৪৪ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯না পোজিটিভ ওইহনবা মণিপুরগী অপূনবা মীওই ৪১,৯০৯শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা মীওই ৩৮,১৯২নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৭১৭নি। অদুম ওইনমক হোম আইসোলেসন্দগী মীওই ৪১০ য়াওনা ঙসি অপূনবা মীওই ৫৪৬ দিসচার্জ তৌখিবা অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৩৪,৩৫৯শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩০,৭৯৪নি অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৫৬৫নি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙরাংদগী ঙসিনা পোজিটিভ ওইরবা কেস মশীং হেনগৎলকখিবদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরগী এক্টিভ কেস মশীং পূন্না ৬,৯০৪শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৬,৭৫৭ য়াওরি। অদুগা লেমহৌরিবশিংনা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনি।

অদুম ওইনমক ঙরাংগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবা মীওইশিংগী মশীং ৩৪৭ খক্তমক ওইখিবা অদু ঙসিগী ওইনা মীওই ৫৪৬ ফগৎলকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং চাদা ৮১.৯৪ য়ৌরে হায়রি। অদুগা মণিপুরগী হেল্থ ইন্সটিট্যুসন অমসুং হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংসু ঙরাংদগী হেনগৎলক্তুনা ঙসিগী ওইনা দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১,৩৬৭ অমসুং বি টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫৭১গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিদগী মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবগীদমক হীদাক কাপথোকখিবা ষ্টেট অসিগী অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩,৩১৬৩১ শুরে হায়রি। অদুম ওইনমক ঙরাং এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট নম্বর এ আই - ৮৮৯গী রো ১৫-২১দা তোংলকখিবা পেসেঞ্জরশিংনা কম্মন কোভিদ কন্ট্রোল রুম (১৮০০-৩৪৫-৩৮১৮) নৎত্রগা মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর (দি এস ও) শিংদা মখা তাবা সর্ভিলেন্স অমসুং মথৌ তাবা টেষ্টিংগীদমক পাউ ফাওরক্কদবনি হায়রি। লোয়ননা হীদাক কাপথোকপা য়ারবা মীওই পূম্নমক্লা রিমস, জেনিমস, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরশিং, প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরশিং অমসুং খনগৎলবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা হীদাক কাপথোকপীবগা লোয়ননা ফেস মাস্ক উপ্পীয়ু অমদি খূৎ-শা শেংনা হামদোকপীদুনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।